হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, সেপ্টেম্বর ২৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৭৮শুবা মশীং

# করিদা শোয়বদগীনো
## মরমশিং চপ-চানা থিদোক্কদবনি

লৈবাকসি কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা নীংতম্বা ফংখিবনি। লল্লোনবা লাকপা বৃটিশ মচাশিংগী ফিরিঙ্গি লম্নৌদা লৈবাকসিগী মফম অয়াম্বা মখোয়গী খুবামনুংদা শুপ্পাই পায়শিনখিবনি। খরা খরদগী ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়দুনা লৈবাকসিগী মপু ওইখিবনি। অদুবু বৃটিশকী লোয়লম লৈঙাক্কী মখাদা মীনাই নাইথাং ওইনা হিংনীংদবা লৈবাকসিগী মীয়াম্না থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা শোক্লখিবা নীংতম লানশিংগী মহয়না লৈবাকসিগী মীয়ামগী অঙাংবা ঈখেংশিংনা চামথোক্তুনা নীংতম্বা পুরকখিবনি। কুমজা ১৮৫৭কী 'সিফাই লালহৌ' না অহানবা নীংতম লালহৌনি হায়দুনা পারগা মসিদগী লেপ্তুনা শোক্লরকখিবা থৌনা ফবা লৈবাকসিগী মীয়ামগী হনবা লৈতবা লানফমশিংদগী ঙসিগী নীংতম্বসি বৃটিশকী লাই খূৎশাংবীগুম্বগী অশাংবা মখূৎশিং ককথৎলগা নমদুনা মুলহৌখিবনি। মমল য়ামখ্রবা লৈবাক মীয়ামগী চাংদমনীংঙাই লৈত্রবা নীংতম্বনি। মসিগীদমকনি চহী ৭৫ শুরকপা নীংতম্বা ফংলকখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিনা 'অজাদি কা অমৃট' হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা নীংতম্নক্রষ্টপগী নুংঙাইরবা থৌরমশিং মথংগী ২০২২গী ওগষ্ট ১৫ ফাওবা লেপ্তনা পাঙথোক্কনি হায়দুনা পাঙথোরক্লিবা। সেলেব্রেট তৌদুনা পাঙথোকফম থোকই। মরমদি লৈবাকসিগী মমল নাইদ্রবা নীংতম্বসি বৃটিশনা শেম্পাক্তা হাপ্তুনা লৈবাকসিগী মীয়ামদা হরাও হরাওনা অথেনপোৎ ওইনা খৃৎশিন্নরম্বা নত্তে। চহী কয়া চঙনা মখল কয়াগী পান্থেৎশিং শীজিন্দুনা হোৎনজরকখিবগী তাঙলবা মহয়নি। অরাংবা থাক্তা থাঙৎতুনা মতম শাংনা নীংতম্বা ফংলকখিবগী থৌরম পাঙথোকফম থোকই।

অদুবু লৈবাকসিনা নীংতম্বা ফংবা চহী ৭৫ মপুং ফারক্লবা মতমসিদা লৈবাকসিগী মচি মচিদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শেমজবা, লিংজবা মীয়ামগী লৈঙাকসিগী মায়োক্তা পেন্দবগী খোল্লাউ অমসুং ৱাকংশিং লিংখৎলক্লিবা করিগিনো? লৈবাকসিগী অৱাং খম থেংবা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা লৈরক্লিবা অমসুং থোরক্লিবা ৱাথোকশিং করিদগীনো? খা মায়কৈদসু হায়রিবা ঈৱাংসিগী মনা-মনিল নাইরক্লিবনা করিগী ওইগদইনো? লৈবাকসিগী ময়োল অমসুং ময়ায় লমগী শরুক খরদা নক্সলবারি অমদি পীপলস ৱার গ্রুপকী খৃৎপুশিং করিগী থোরকপনো? অদুগা অৱাং নোংপোক্তনা অসাম য়াওনা ষ্টেট মচা মচাশিংদসু অসিগুম্বা ঈহৌগী মৈ অমা ফুমদুনা চাক্লরক্লিবা অসিনা করিগী ওইগদগে? ৱাহংশিং অসিগী মতিক চাবা পাউখুমশিং মীয়ামু ৱায়েল থৌদাবগী, লৈবাক ঙাকপগী খুর্জি পায়রিবা লৈঙাক্লোইশিংনা পীগদবনি। চুম্লতা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমশিং পীবগী মথক্তা থোরক্লিবা ৱাথোকশিং অসিগী হৌরকফম মরমশিংসু চপ চানা থিদোক্কদবনি। মরমদি হায়রিবা মফমশিং অসিগী মীয়াম্না তৌরক্লিবা নিংঙাইদা অনীংবা অপাম্বা খরা ফংননবা তাল্লকপগী মহত্তা লৈবাকসিদগী তোঙান তাজরগে, মখোয় খক্তা মশাগী মখোঙনা মরোমদোম লেপচরগে হায়বা অকনবা ৱাহৈশিং য়াওরক্লি। চুম্লতা নীংঙাই তৌবদগী হেন্দেরক্তুনা মখূৎতা খূৎলায় পায়খৎলক্তুনা লৈবাকসিগী লৈঙাকপু ফোংনা শীংনরক্লি। ওইরক্লিবা ফীভমসিসু ঙসি ঙরাংগী ৱাফম নত্তে। চহী ৪০/৫০ শুজিল্লক্লবা নীংঙাই তৌবা কাঙবুসু য়াওরি। মসিদি ইচম-চম্বা নত্তে, অরুবা লায়নানি। মতম চানা লায়েংহৌগদবা মতমদগী থেংথোরক্লবনি হায়নীংই। অদুবু শুপচিন্না য়েংবদা ওইরক্লিবা ফীভম অমসুং লাক্লিবা ৱাফম অসিবু করিদগীনো হায়বসিনি। লৈবাকসি মীয়াম্না চহী কয়া চঙনা থৱায়না পোন্থা পীদুনা পুরকখ্রিবা নীংতম্বসিবু চহী খরগী মতুংদা অতোপ্পা, অনৌবা নীংতম্বা অমমুক মথৌ তারকপগী ফীভমদা লাক্লগদি ফংলকখ্রিবা নীংতম্বদুগী ৱাহন্থোক্তা মরিং মরাংহনবা থোরক্লোইদ্রা? নীংতম্বসি পুরক্তুনা থম্বীরন্নিবা অথৌবা-অথৌবীশিংদুগী মফমদা লংজবা ওইনা থোরক্লোইদ্রা? মখোয়গী থৌনা লিংজেলশিংবু নীংশিংদুনা শক শোনবা, মখোয়গী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা, মখোয়গী ফিদমনীংঙাই ওইরবা সুপ্রিম সেক্রিফাইসশিং অদুবু তুংগী মীরোলদা লীবা, তম্বগী ৱাহন্থোক লৈরকখিগদ্রা? মরমশিং অসিনা হৌজিক থোরক্লিবা ষ্টেট খরগী ৱাথোকশিংসি করিদগী মতৌ করম্না হৌরক্লিবনো হায়বদু থিদোকপা চঙই হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১) *"তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিডৈ নপাল ফরিডৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিডৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।"* শৈরেং অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) *"শৈরেংগী খুঙ্গং"* হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

৩) *"বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস'* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি *"পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক"* হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো?

৫) *"খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।"* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৪৪
## (নবা চাকথেকপীনা লৈখিদবদা)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**



ঙসিদি পূক্লিংসে য়াম্না নুংওল্লি। নীংশিংলুরগা য়াম্না কপনীংলকই। হৌখ্রবা মতম কয়া অদুনা ঐবু তত্তনা করেম্নরক্লবোই খল্লকই। মতমদুদা কিখিবনি চেৎলবা নুংশিনবগী লিপুন। লীলা চৎপগী অৱাবা-নুংঙাইবা কয়াগী মরক্তা শুংথা থাদোক্নদনা থম্মোয়-থম্মোয় লেংগোন্নখিবা মীশক অমা হায়বা তারবদি নবা চাকথেকপী হায়বা অসিনি। মহাক্তি পুমতোপ তোপ্পা মীশকনি। ময়াম্না মাবু খঙবনা মাগী ঈশৈ অমদি মাগী খোঞ্জেলনি। ময়াম্না খঙদবা অমা হায়বা তারবদি মাগী থম্মোয় অদুনি। মাগী থম্মোয়দি য়াম্না চাউই। মীগী লৈত-লায়র য়াম্না উই। মীগী অৱাবা খম-খম থেংনা উবা ঙম্মী। মহাক মশাসু অসুক্কী মতিক খুদোং চাদবা ইমুং অমদা হৌরকখিবনি। অৱাবনা নম্বো পোদুনা চাওরকখিবনি। ঙসিগী মেটেরিএল ৱর্ল্ড অসিদা, মপাম্বোংগী নুংঙাইবা পুন্সিগী ঈচেল অসিদা শাগোন্নদুনা হৌরক্লবসু মহাক্কী পুন্সিদদি মীমান্ননা নুংঙাইবা মীকূপ অমা ফাওবা য়াওখিদে খল্লি। মী অমগী অৱাবা উবদা লৈখিদ্রবা মহাক্লা অঙন্বা মতেং পাংবসি অদুম তৌদুনা লাকখি। মহাক্লসু মীঙোন্দগী মতেং য়াম্না লৌখি, মানসু মীগী মতেং য়াম্না পাংখি। পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন চপ চানা চেনখিবা মীশক অমসু ওইখি। অদুবু মহাক নোংমতা ৱাই হায়বা অসি উৎখিদে। মহাক্কী অৱাবদি মথম্মোয়দা থল্লগা নুংঙাইবতনি উৎখিবা। মহাক্লা উৎখিবা নুংঙাইবদা মীপূম তিংনা পূক্লি পায়দুনা নোকহনখি। তশেংনমক মহাক্তি ফাগিগী অকনবা মতিক ময়াই চেনবা মীশক অমা হায়বদু ওইখি।

নোংমা ঐনা মঙোন্দা হায়খি, *লীলাগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা ময়ায়দা থোক্লসি।* মহাক্লা য়াখিদে। মানা থোক্লবদি ধনবিরগী ময়েং তাগনি খুমখি। তশেংনমকসু মহাক্লা এক্টর অমা ওইনা থোক্লম্লবা তারবদি মহাকসু ফাগি হৈবশিংগী মরক্তা খূৎ থেক্লমগদবা মীশক অমদি ওইখি। অদুবু ঐনা য়াদদুনা খোমলাং লমন হায়বা প্লে অমদা মমাই মমিৎ খুমজিল্লগা শরূ পোলাংগী মশা পূম্বা য়োমশিনবা ফুরিৎ অমা তুরগা মদুদা শরূ পোলাং মান্নবা পেন্ট তৌদুনা লিৎলগা শিঙম-নাঙমদনা শিখ্রবা থৱায় অমগী ভূট শাহনখি। মদুগী মতেকে অদু অয়েংবশিংখৈনা শোয়দনা নীংশিংবীরমখিগনি - নোকপদা হেক্তা পূক্লি পায়বনি। মী য়াম্না তোয়না হাৎখিবা ধনবিরগী মমাঙদা ভূট অদুনা লাক্লগা লক্লখিবগী improvisation তৌদুনা শান্নখিবা এক্ট অদুদা মীপূম তিংনা পেন্নখিবনি। মসিদা নত্তে, ঐখোয় ময়ামসিনা য়াম্না ৱারবা চোকথরবা মতমদা মহাক্লা থৌওইনা ফাগি তৌদুনা ময়াম্বু কয়ারক হন্না নুংঙাইহনখি। অনৌবা ৱাখলগী ময়োল চোংহনখি। মহাক্লা শেম শাদুনা লোনবা ইংলিস অসি কনাগুম্বা অতাবশিংনদি কাউবা ঙমদনা নীংশিং-নীংশিং শোয়দনা নোকপীগনি। য়াম্না মান্না অচুম্বা ইংলিস অমত্তা নত্তবদা লোনবা হৈ। মসিমদি মহাক্কী লোৎতুনা থমখিবা পুন্সিগী পীথোরক্লবা ফাগিগী মচাকনি। হৌজিকসু অদুম লোৎতুনা পুখ্রে। খজিক-খজিক মোংলকপা থেংনবদা ময়াম্বু নোকহল্লম্বা নত্তনা মহাক ফাগি পুবা মীশক অমনি হায়বসিদি মহাক্কী ঈশৈগী মতিক ময়াইনা হেনখিবনা ফুদোক্লমখিদে।

কুমজা ১৯৮০দা মতমদুদা কেসেট পুথোকপা হৌরকপদা ঐগ্যা ইবোহলগী এক্স-সিনে ফোটো ষ্টুদিওদা নৌনা শেম্বা রেকোর্দিং ষ্টুদিও (হৌজিক্তি লৈখিদ্রে) রেকোর্দ তৌদুনা কেসেট অমা ফোঙখি। মদুদা ঈশৈ অমা য়াওই *"লমদম তাম্না লৈখ্রবা মাগী, নুংশি মপাউ তাখিদবা কুইরে"* হায়বা ঈশৈ অসি নোংমা ইচেমো জমুনাগা পূন্না কেসেট য়োনবা দুকান অমদা তামিন্নখি। ইচেমো জমুনানা শক্লিবসি কনানো হায়বা খঙখিদে। মহাক্লা ঈশৈদু তারগা ঐঙোন্দা হায়খি, *সিগী ঈশৈসি ওম্বোক্লা ফজখ্রেদা, শক্লিবসি মখোন য়াম্না নুংশি, ঈশৈগী কাচিন কোয়া শিন থুংনা শকই। মসি শক্লিবসি কনানো, অনৌবরা হায়না?* ঐনা *শক্লিবসি নবা চাকথেকপীনি* হায়না খুম্বদা ইচেমো পূমঙক ঙকখি। অশ! সিদি ওম্বোক্লা ফজখ্রেদা হায়দুনা হঞ্জিন্না অমুক তামিন্নখি। কেসেটতু মতমদুদা খ্বাইদগী য়াম্না শিৎপা ওইখি। অসুক্কী মতিক দিমান্দ লৈখিবা কেসেটনি। কেসেটতু লাখ ময়াদা য়োনখি। মতমদুদা অদুক য়াম্না য়োনবা ঙমখিবা হায়বসি ফাগি ওইখিদবনি। তুংদা থোরকপশিংনসু মদু য়ৌনা য়ৌনবা ঙমখিবগী পাউ তাখিদে। নবগী ঈশৈ অসুক্কী মতিক য়াম্মী। মহাক্কী ঈশৈ অয়াম্বা ঐনা ইখিবনি। মমিং লৈরবা ঈশৈশিং খরদং পল্লবদা - *"ৱারৌবীগনুকো ঐবু নুংশিবা"*, *"মৈরিলক্তা লংশিল্লম্লবা, তাঙ্গৈাই তারা ঐগী পুন্সিনি"*, *"ফোঙদোক্তবা নুংশিবা, কয়াম কুইনা থমখিনি, ওমচাক্লনা থম্মোয়নুংদা পুন্সি মৈশা লাংখিনি"*, *"নুংশিবনিদা লৈশারিডৈ মতমদো"*, *"হংঙনু ঐঙোন্দা করিগীনো থম্মোয় অদু কল্লিবা, পীগনি পাউখুম করম্না"*, *"ঙসিতা থেংনবা নঙোন্দা, নুংশি করম হায়গনি"*, *"ইপাম লমদম নুংশিবী, পম্বৌ শঙ্গাই পাম্মুবী"* অসিনচিংবা য়ামখ্রবা ঈশৈনি। পঞ্জরিবা অসিদি খরখক্তনি। মহাক্কী ঈশৈগী খোঙচৎ অসিদি নৈনবদা য়াম্না শাংবা অচৌবা চেপ্টর অমা ওইগনি।

মহাকপু চাকথেকপী নবা, নৎত্রগা নবা চাকথেকপী হায়না খঙনখিবসিগী মরম অসিসু পলহৌবা য়াই। মতমদুদা নহা থৱায় য়াওজবশিংনা মতমগী হোংলক্লিবা খোঙচৎতা লীলা অমা পুথোকখি। লীলাদুগী মমিংনা - **"অসিরা মীওইবগী পুন্সি"** হায়না থোল্লি। লীলাদুদা য়াওবা কেরেক্টর অমগী মমিংনি চাকথেকপী হায়রিবসি। অনৌবগা ওইবগা ময়াম্না পাম্নবগা ওইবগা, লীলা অদুসু *চাকথেকপী পার্টি* হায়না মীয়াম্না খঙনখি। অদুগা লীলাদুদা নুপীগী খোঞ্জেলদা ঈশৈ শকখিবা চৌধুরিময়ূম নবা শর্ম্মবুনা *নবা চাকথেকপী* নৎত্রগা *চাকথেকপী নবা* হায়না খঙনবীখি। মসি মহাক্কী থোইদোকপা মীয়াম্না পামজবা অমা য়াওবদগীনি। অদুগা নুপাগী ঈশৈ শকখিবা জিতেনবুদি জিতেন চাকথেকপী হায়না খঙনখিদে। লীলাগী পার্টি ফাওবা চাকথেকপী পার্টি হায়না খঙনখিবা অসিনি। মহাক্লা লীলা য়াওদ্রিঙৈদা ঈশৈ শৈফম কয়াদা ঈশৈ শক্লকই। মতমদুদা মহাক খুম্বোংদা লৈরম্মী। অদুনা খুম্বোং নবা হায়রগসু মায়কৈ অমদদি সেগাক কায়না খঙনৈ। খুম্বোংদা লৈখিবদুসু মহাকপু পোকপা লৈখিদ্রবা চৌধুরিময়ূম গিরিধারি শর্ম্ম পুন্সিগী হিংনবগী লানফমদা হোটেল মচা অমা ফমদুনা শেন্দান লম্বী ওইরকখিবগী শাংখ্রবা ৱারী লৈরি। মদুগী শরুক অদুমদি তুবৎ শমজরে। অদুনা মহাক্কী মমিং অসি খুম্বোং নবা হায়না খঙনখি। মতমদুদা মহাক্কী শমসি য়াম্না শাংখি, অদুগা খোইবসু অঙকপা ফংনা খোই। হেক য়েংবদা লাইগুল্লবা সাই ববাগী কোক্কী শমদুগা হায়রপ মান্নে। মশাগী খরা পিকপনে, শমদুনা খোইরগা শাংবদুদা কোকতু ময়ামদগী কা অমা হেন্না চাউনা উই।

অদুনা মীনা য়েংনীংবা শক্তাসু তাই। শক্তোরকপদসু অঙকপা ফংনা খোঞ্জেল ফজবা লৈসি লৈখোনবা লৈবনা ময়াম্না য়াম্না নুংশিনা শক খঙনবীখিবনি। মতমদুদা মহাক্লা শকপা ঈশৈসি য়াম্না য়াম্মী। অদুবু মীয়াম্না ৱা-ৱা নোক্তুনা য়াম্না নুংঙাইনা তাখিবা ঈশৈদি মহাক্কী মশক মতৌগা চান্ননা শেম্বা ঈশৈ অমা লৈ মদুদনি। *"ঐদি খোইমু পখ্রানি, ইপাং কনা য়াওদ্রবা, অমদা হায়রুই য়াবিরক্তে, অমদা হায়রুই চৈবিরকই, ইশক্তে য়েংঙে থীজিল্লে, কুচুদা য়েংঙে মুশিল্লে, ইশমদা য়েংলে খোইজিল্লে, ঐদি খোইমু পখ্রানি ইপাং কনা য়াওদ্রবা!!"* ঈশৈসিবু শক্লবা ময়ামসি হৌগৎতুনা হেক্তা পেন্নবনি। শেল য়াম্না থাখি, ময়াম্না পাম্না তানখি। মানসু ঈশৈসি মিনট ১০ হেন্না হঞ্জিন হঞ্জিন ময়েকসি খুদক খুদক্কী পংহায়দা হায়জিল্লগা শাংনা শকই। ময়াম্না ঈশৈদু লোইশিনখিনু হায়না খামনৈ। কোন্নথংদদি ঈশৈদু মহাক শকউ হায়বা য়াখিদ্রে। ঐখোয়গী লীলাদা মহাক্লা খোঙগ্রাও অঙাংবা অমগা শেৎলগা হারমনিয়ম পায়রগা ঈশৈ শকপদা মাগী ঈশৈ শকপগী এক্টিংনে কৈনে, মমিৎ-ও মনা-ও মুদ লৌদুনা ঈশৈ শক্লকপদা ময়াম পূম্নমকসি মঙোন্দা লোইনা য়েংবনি। হারমনিয়ম খোংবসু মাদি য়াম্না হৈ। মতমদুদা হারমনিয়ম হায়বসিনা মরু ওইবা ইন্সত্রুমেন্ট ওইরম্মী অদুনা হারমনিয়মসি মানা ষ্টাইল তৌ-তৌদুনা খোংবসিদা হেক্তা ময়ামসি কুম্মৈ তাবনি। অদুনা লীলা ময়ায়দা থোক্লগা এক্টিং তৌরিবা ঐখোয়দা য়েংবীদনা মানা ঈশৈ শকপদুদা পুল্লপ য়েংখিবনি। মাসু মীনা মঙোন্দা য়েংলে খঙলকপদগী খরা হেঞ্জিননা এক্টিং য়াওনা শক্লিবনি। হারমনিয়মদগা পাকথখ্রদি মশকফাও উদখৈ মখোন নুংশিবদুনা হুত্তুনা শক্লকপদদি মী পূম্নমক মঙক থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতুনা য়েংনৈ। ময়ায়দা থোক্লিবশিংনা শাওরিবনি মায় মতৌদুদা। অদুবু মানা ইহি হিগৎনা খুম্মী- *মুদ য়াওদনা ঈশৈ কমাইনা শক্কদৌরিনো। ঐনা তৌরিদু মুদ লাকপদগীনি।* চাকথেকপী পার্টি হায়না মীয়াম্না পাম্নখিবা অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা আর্টিষ্ট পূম্নমকশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওরকখি। মদুগী মনুংদা নবা শর্ম্মগী থৌদাং অসিসু হন্থবা নত্তে। মহাকমক য়াওরমদ্রবদি পার্টি অসি মীয়াম মরক্তা মতিং লৈনা হিংবা ঙল্লমদবসু য়াই। মহাক মতৌ ইমান মান্দনা হেক হেক শাউদোরকই। শাউরুরবসু থুনা অমুক হম্বগল্লি। লোয়ন-তিন্নরিঙৈদা য়াম্না খৎন-শাউনখি। অদুবু কুইদে, মানা হান্না হেক্তা কৌবা হৌরকখি। অমুক হান্নগুম লোয়নৈ-তিন্নৈ। মপুকচেল লোমদে। শাউনখি হায়বগী মমি ফাওবা তাখিদে। মসিসু অঙকপা মহাক্কী ময়াই অমনি। মহাক্কী মরমদা ইবসি য়াম্না শাংলনি। মরক মরক্তা মপা চানা ঐনা তমজরিবা ৱারীসিদা থেৎচিনজরক্কে।

ইখঙ খঙহৌদনা মহাক্লা লৈখিদবসি অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে। য়াম্না নীংশিংলকই। কুইদ্রি থা অমমুক্কী মমাঙদা নুমিদাং অমা ঐঙোন্দা ফোন তৌরকখি, *"ভাই কমদৌরি, অনা অয়েক য়াওদেকো, নাবা য়াদে, চেকশিন্নসিকো। অদো বোরি চানীংব্রা, থিল্লকউরা?"* হংলকই। ঐনা - *কাইদগী বোরিনো?* হংখি। মহাক্লা মাগী হৌনবী খোঞ্জেলদুদা, *"কৈনো বামোন লৈকায় হায়সিদি বোরি মকোননি, অহাওবা বোরি লৈ, ঐ থিল্লক্কে"* হায়না ফোন্দা ৱারী শানখি। মদুনা মহাক্লা ঐগা অরোইবা ৱারী শানখিবা নুমিৎ হায়বদু ওইখ্রে। ঐনসু মহাক নারে হায়বগী পাউ তাহৌদে। লৈত্রকানদদা তারকপনি। য়াম্না নুংঙাইতে। মহাকপু নীংশিংদবা হায়বসিমদি ওইথোক্লরোই, নীংশিংলকপা খুদিংগী মীৎলুদা ঈহৌরক্লগনি। মতম চুপ্পা তাইবঙ শেম্বা মপুগী মনাক্তা লেঙদনা লৈদুনা নুংঙাইনা পোত্থাবা ওইবীয়ুকো। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৮০

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ১৭, ২০১০ ইং :-** মণিপুর লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংদা ৬শুবা পে কম্মিসন ইন টোটো পীয়ু হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তকশিন্দুনা ঙসিদগী লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংনা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চখ্থবা হৌখ্রে হায়না এমতুক অমসুং এম জি ওগী জে এ সীগী চেরোল অমনা হায়রি।

জে এ সীনা কর্ম্মচারি, শিন্মী অমসুং পেন্সনরশিংগী মতম শাংনা তান্দুনা লাক্লবা দাবীশিং অসি লৈঙাক্লা চৎলিবা থা অসিগী ১১দা থোকখিবা হুকুম অমনা লৈঙাক অসিগী চপ মান্নবা কর্ম্মচারিশিং ওইমিন্নরিবা মণিপুর জুদিসল ওফিসরশিংদদি হান্না পুখদুনা লৈহৌবা দি এগী শেনফমশিং এরিয়রগা লোয়ননা পীদুনা পূন্না চাদা ৭৩গী দি এগী চাং য়ৌহনখ্রে। অমরোমদা লেমহৌরিবা লৈঙাক অসিগী কর্ম্মচারিশিংদদি চাদা ৪৭কী দি এগী চাং খক্তমক ফংহল্লি। জুদিসল ওফিসরশিংনা ফংখিবা অসিবুদি জে এ সীনা নুংঙাইতবা লৈতে। অদুবু অচান-মীরাই নাইবা লৈঙাক্কী থৌওং অসিদি পেন্দে হায়না জে এ সীগী চেরোল অসিনা হায়রি।

জে এ সীনা ঙসিদগী ইন্দিফিনিট সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক হৌখিবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট/ওফিসশিংদা লৈরিবা কর্ম্মচারি শিন্মীশিংনা মশা মশাগী মথৌশিং শুনদবা হৌখ্রে। তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা অমসুং সব দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরশিংদা লৈরিবা জে এ সীগী ব্রাঞ্চতগী থবক শুবা লেপ্পা হৌখ্রে হায়বগী পাউসু জে এ সীগী হেদ ওফিসতা পীনরক্লে। ষ্ট্রাইক অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিং/ওফিসশিং পেরলাইজ ওইবা হৌরে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

ষ্ট্রাইক চখ্থদুনা দাবীশিং ফংমিন্নবা হোৎনরিবা মতম অসিদা তোলোপ ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা কর্ম্মচারিশিংনা ৱারবসু ৱানা মতম খরদংদি ঙাইবীয়ু। ত্রেজরি ওফিসশিংদা তোলোপকী বিলশিং পুবিরক্কনু। ত্রেজরি ওফিসশিং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি ওফিসকী মরী লৈনবা ওফিসশিংনসু বিল লৌশিনবা অমসুং মৈগী খাজনা লৌবা লেপ্পীয়ু। করিগুম্বা জে এ সীগী কোয়না চৎপা টিমশিংনা থেংনবা থোক্লবদি নিংঙাই শংদানবা অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকপা য়াই হায়নসু জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিলগী চেরোল অসিনা হায়রি।

**জন্যুৱারী ১৬, ২০১০ ইং :-** সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা মান্ননা কর্ম্মচারিশিংদা সিক্সথ পেগী এরিয়র পীথোকখ্রবদি চাং নাইনা তোলোপ পীনবা শেনফম লৈরক্লোই হায়না ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা এরিয়রগী দাবী য়াওনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তকশিন্দুনা ঙসিদগী থবক লেপ্পা ষ্ট্রাইক চঙশিনবা হৌখ্রবা এমতুক অমসুং এম জি ওগী জে এ সীদা মখোয়গী ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং হন্দোকপীনবা অপীল তৌখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, সেন্টরগী কর্ম্মচারিশিংগা মান্ননা ষ্টেটকী কর্ম্মচারি লিশীং ৮০ রোমদা এরিয়র পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরিবসি করিগুম্বা পীথোকপা তারবদি দরকার লৈরিবা শেনফম অসি ২০০৬-০৭তগী ২০০৯-১০ ফাওবগীনি। ২০০৬-২০০৭কী এরিয়রগীনা কোটি ৪৬৪.০৫, ২০০৮-০৯গীনা লুপা কোটি ৪১৩.৯১ অমসুং ২০০৯-১০গীনা লুপা কোটি ৬৬০.৪৬ পূন্না লুপা কোটি ২০০০নি।

লুপা কোটি ২০০০গী শেনফম অসি পীথোকখিবা তারবদি থাগী তোলোপ চাং নাইনা পীবা ঙল্লিবসি ঙল্লরোই। মসিগী মথক্তা তুংদা লাক্কদবা চহী হায়বদি ২০১০-১১দগী ২০১৪-১৫ ফাওবগী ওইনা এরিয়রগী দরকার লৈরিবা শেনফম অসি লুপা কোটি ৪০১৬.৫২ ওইগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

মণিপুরসি লৈঙাক্কী লৈরিবা কর্ম্মচারি খরখকসিগী নত্তে, মীওই লাখ ২৩গীনি। লৈঙাক্লা কর্ম্মচারি খরগীদমক নুংঙাইনবা অদুগা মীওই লাখ ২৩না ৱাগদবা থবক্তি তৌরোই হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্লা জে এ সীনা তাল্লিবা মরম চাবা দিমান্দশিংদি পীরোই হায়বা লৈতে। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কর্ম্মচারিশিংগী য়াইফনবা হায়দুনা এপ্রিল থাদগী সিক্সথ পে পীনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবনি। মরকসিদা কর্ম্মচারিশিংনা পাল্লিবা এরিয়র য়াওনা এপ্রিল থাদগী পীবা ঙম্নবগীদমক ১৩শুবা ফাইনান্স কম্মিসনদা য়াম্না কন্না তক্করিবনি। মসিদা করিগুম্বা ১৩শুবা ফাইনান্স কম্মিসননা পীরক্তবসু ষ্টেট লৈঙাক্লা চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী শোয়দনা পীগনি হায়বগী অচৌবা থৌদাং অমা লৌরগা সিক্স পে পীনবা ৱারেপ লৌরিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, রিসোর্স য়াম্না লৈবা অচৌবা ষ্টেট খরদা এরিয়রগী শেনফমশিং পীথোক্লবা য়াওরবসু মণিপুরগুম্বা রিসোর্স য়াম্না লৈতবা ষ্টেটতা পীবদি লানগনি। হৌজিক হৌজিক কর্ম্মচারিশিংগী তোলোপ পীবদা চহীদা লুপা কোটি ১০৫০ অদুগা পেন্সনগী শেনফম পীবদনা থাদা লুপা কোটি ২৫০ রোম চাদিং তৌরি। ষ্টেটকী লাক্লিবা রিসোর্স য়েংদনা চাদিং য়াম্না তৌবগী থবক্তি কৈদৌনুংদা তৌরোই।

চহীসিগী মার্চ থাগী অহানবা চয়োলদা পোস্ট পোস্টকী মতুংইন্না রিভাইস পে রুলগী নোটিশ থোক্লবা কম্মিটি ওফ ওফিসরনা রেক্কমেন্দেসন পীদুনা লৈরবনি। পেন্সনরশিংগী মতাংদসু সেন্ট্রেলগী চৎনরিবা প্রি ২০০৬ ফোর্মুলা অদু চহীসিগী এপ্রিল থাদগী চৎনবা য়ানবা রেক্কমেন্দ তৌরক্লবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী প্লানগী শেনফম লুপা কোটি ২০০০ অসি লৈঙাক্লা থমখিবা টার্গেটকী মতুংইন্না চাদা ৭০গী চাংদগী তাদনা শীজিন্নগদবনি। অদুবু দিপার্টমেন্ট খরা খক্লা চাদা ৭০ হেন্না এক্সপেন্দিচর তৌবা য়াওরবসু ওভর ওল এক্সপেন্দিচরদি চাদা ৫০ য়ৌবা ঙমদ্রি। ফাইনান্সিএল য়র লোইগদবা মতম কুইশিল্লক্তবা লুরবা তাঞ্জা অসিদা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক তৌনবা ওর্গনাইজ তৌরিবা অসি মরম চাদে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসি চখ্থনবা থৌরাং তৌরিবসি খুদক্তগী হন্দোকপীদুনা এপ্রিল থা ফাওবদং ঙাইবীনবা চীফ মিনিষ্টরনা অপীল তৌখি।

**জন্যুৱারী ১৬, ২০১০ ইং :-** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী পুরুল সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা লখমাইদা ৩৩/১১ কে ভি সব ষ্টেসন অমা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা শঙ্গাখ্রে। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতগী কিলোমিটর ৬৫ রোম চঙশিল্লগা লৈবা লখমাই ভিলেজদা ঙসি শঙ্গাখিবা সব ষ্টেসন অদু এন এন সী পি আরগী মখাদা শাখিবনি। শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লখমাই অসি হান্না মরামদগী মৈ পীদুনা লাকপনি। অদুবু লখমাই খুন্দা সব ষ্টেসন অমা হাংলবদি মনাক নকপা খুনশিংসু মৈ ফংহনবা ঙমগনি খনবদগী কুমজা ২০০৬ অদুৱাইদগী এন এন সী পি আরগী ফন্দিং মখাদা পৱার ষ্টেসন অসি শেমগৎপা হৌরকপনি।

সব ষ্টেসন অসি শাবা লোইশিনবদা পূন্না লুপা ক্রোর ৯.৫৪ রোম চঙখি। মসিদা দোনর মিনিষ্ট্রিগী লুপা ক্রোর ২.৬০ য়াওরি। ষ্টেট লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ৬ পুথোকখি। সব ষ্টেসন অসিনা লখমাইগী অকোয়বদা লৈবা ভিলেজ ২০গী মথক্তা মৈ ফংহনবা ঙল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি। চীফ মিনিষ্টরনা লখমাই হায়রিবা খুন অসিগী ওইনা স্কুল, হেল্থ, লম্বী-থোংনচিংবশিং অসি লৈঙাক্লা তোপ প্রাইওরিটি পীদুনা পায়খৎকনি। গেষ্ট হাওস অমসু খুন অসিদা থম্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা পৱার মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনা, লখমাইদা সব ষ্টেসন অমা থম্নবগীদমক ভিলেজ ওথোরিটিনা লম দান তৌরকপসি য়াম্না নুংঙাই। সব ষ্টেসন অসি টর্ন-কি বেসিসতা কম্পনি অমদা শিন্নদুনা মতম চানা লোইশিনখিবনি। সব ষ্টেসন অসি খুঞ্জাশিংনা ইশাগীনি খনগদবনি। মৈ হেন্না নুংঙাইহন্নবগীদমক মীয়াম্না মৈগী বিল নিংথিনা থিদোকপীয়ু। মৈ কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবীয়ু হায়নসু ফুংজাথাংনা অপীল তৌখি।

লখমাইগী খুঞ্জাশিংনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীবু 'চুশা থাইয়ু' হায়না খঙনবা নাটকী ওইবা চুমৈ হায়বা উনা শাবা দোলাই অমদা তোংহন্দুনা হরাউ তয়াম্না ওকখি। থৌরম অদুদা ইগল (উচেক) অমসু খুঞ্জাশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা খুদোল তমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর দি দি থাইসি অমসুং এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। লোয়ননা আই জি পি মোইরাংথেম কর্নজিৎ, সেনাপতিগী এস পি নেসিত কুমার ভিজৱাল, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী নেধিকশরৱানি, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল চীফ এঞ্জিনিয়র এন বাবুচান্দ অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা অতৈ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

সব ষ্টেসন অসি চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা কুমজা ২০০৫গী মে ১১দা যাত্রা হুনখিবনি। লমখাইদা ষ্টেসন অমা শঙ্গারল্লবা মতুংদা উখ্রুলগী নামরে ভিলেজদসু ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা ৩৩/১১ কে ভি সব ষ্টেসন অমা শঙ্গাখি। চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ ষ্টেট অনীগী তাইনফমদা লৈরিবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী জেসামিদা নৌনা শাবা এস দি ও অমসুং এস দি পি ওগী লোয়শঙসু শঙ্গাখি।

ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা পৱন হন্সকী হেলিকোপ্টর অমদা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় রোম তাবদা জেসামিদা থুংলখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর দি দি থাইসি, পৱার মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিং অমসুং এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এম এল এ গাইখাঙমসু লোয়নরকখি। চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্লা লোয়নরকখিবশিংবু হরাউ তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা খুঞ্জাশিংনা নাটকী ওইবা জগোয় উৎতুনা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা চীং-তম হায়দুনা খেন্নবা থমদে অমদি অরাপ্পা চীংগী লমদমশিংবু মীরাইবা লৈতে। লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা জেসামিদা নেসনেলাইজ বেঙ্ক অমগী ব্রাঞ্চ ওফিস অমা, পোষ্ট ওফিস অমা হাংদোক্লগনি। মসিগী মথক্তা এরিয়া অসিদা লৈবা হায় স্কুল অমা হায়র সেকেন্দরিদা অপগ্রেদ তৌনবা, প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টরসু প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা ওনখৎনবা অমসুং ৩৩/১১ কে ভি পৱার ষ্টেসন অমা জেসামিদা লুপা কোটি ১০ চঙনা শেমগৎনবা হোৎনরগনি। জেসামিগী খুঞ্জাশিংনা মতম মতমগী ওইনা থেংনরকপা অৱাৎ অপাশিংসু লৈঙাক্লা য়েংশিনগনি। চীফ মিনিষ্টরনা শিল্লি-লাংলিবশিংদা লুপা লিশীং ৫০ পীখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।